মপানগী পাউ

রসিয়ানা সিরিয়াদা এস-৩০০ মিসাইল পীখিবা তারগসু ইজরেলনা সিরিয়াদা ষ্ট্রাইক তৌবগী থৌওংশিংদি চথখিগনিঃ নেটানয়াহু

টেলঅবিব, ওক্টোবর ১০ ঃ রসিয়ানা মখোয়গী মপাং ওইনা চৎমিন্নরিবা সিরিয়াদা সোফিষ্টিকেটেদ ওইরবা এয়র দিফেন্স সিষ্টেম এস-৩০০ পীখিবা তারগসু ইজরেলনা ইরানিয়ন অমদি হেজবোলাগী টার্গেটশিংদা এটেক চথবগী থৌওংশিংদি মখা তানা অদুমক চথখিগনি হায়না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনজামিন নেটানয়াহুনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর বেনজামিন নেটানয়াহুনা হায়খিবদা, মহাক্না রসিয়াগী ভাইস প্রেমিয়রগা ৱারী শানখিবদা ইজরেলনা সিরিয়াদা লৈরিবা ইরান অমদি হেজবোলাগী টার্গেটশিংদা এটেক তৌবগী থৌওংশিং চথখিগনি। রসিয়ানদি সিরিয়াবু এদভান্স ওইরবা এয়র দিফেন্স সিষ্টেম পীশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবা তারগসু ইজরেলনা ষ্ট্রাইক তৌবগী থৌওংশিংদি অদুমক চথখিগনি হায়রি।

নেটানয়াহুনা রসিয়াগী ভাইস প্রেমিয়র মেক্সিম অকিমোভকা জেরুসলমদা ৱারী শানখিবদা ইজরেলনা সিরিয়াদা মপাঙ্গল শাগৎনবা হোৎনরিবা ইরান অমদি মসিগী খোঙবু ওইরিবা হেজবোলা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংদা ষ্ট্রাইক অদুমক চথখিগনি।

রসিয়ানা সিরিয়াগী মিলিটরিদা মপাঙ্গল হেনগৎহন্নবগীদমক্তা এস-৩০০ এয়র দিফেন্স সিষ্টেম পীশিনখিবা তারগসু ইজরেলনা মশা মরোমদোম ঙাকথোকচনবগীদমক্তা লিজিটিমেট ওইবা এক্টিভিটিশিং মখা তানা চথদুনা সিরিয়াদা লৈরিবা ইরান অমদি মখোয়না সপোর্ট তৌরিবা হেজবোলা গুরিল্লাশিংগী মথক্তা এয়র ষ্ট্রাইক তৌবগী থৌওংশিং চথখিগনি।

সিরিয়াদা লৈরিবা ইরান অমদি হেজবোলা গ্রুপ অসিনা ইজরেলবু য়েখায় থিনগায়নবা থৌওংশিং চথরক্কদবনা মখোয়শিং অসিবু থুগায়বা হায়বসি ঐখোয়গী তঙায় ফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাংনি হায়না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনজামিন নেটানয়াহুনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ইজরেলগী ৱার প্লেনশিংনা সিরিয়াদা ইরানিয়ান অমদি হেজবোলাগী মথক্তা এয়রষ্ট্রাইক চা-কয়া চথদুনা লাকখ্রবনি।

ইজরেলগী এফ-১৬ ৱার প্লেন ৪ না সেপ্টেম্বরগী তাং ১৭তা এয়রষ্ট্রাইক চথরিঙৈ মতমগী মনুংদা রসিয়াগী সর্ভিলেন্স প্লেন আই এল-২০ অমা কাপথখিবগী থৌদোক্তা রসিয়ান সর্ভিসমেন ১৫ শিখিবগী থৌদোক লৈখিবনা মরম ওইরগা রসিয়ানা মখোয়গী এদভান্স ওইরবা এস-৩০০ এয়র দিফেন্স সিষ্টেম অদু সিরিয়াদা পীশিন্নবা ৱারেপ লৌরকখিবনি।

মসিগী মমাঙদা রসিয়ানা সিরিয়াদা এস-৩০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অসি পীশিন্দবা চথরকখিবা থৌরাং অমবু ইজরেলনা য়ানীংদবা উৎপদগী তোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদদি রসিয়াগী মিলিটরি পর্সনেলশিংদা অশিনা থোরকপা অসিনা মরম ওইরগা তঙায় ফদনা সিরিয়াদা এদভান্স ওইরবা মখলগী মিসাইল সিষ্টেম অদু পীবা মথৌ তাররকখিবনি।

হৌজিক সিরিয়ানা শীজিন্নরিবা এস-২০০ মিসাইল সিষ্টেম শীজিন্নদুনা কাপখৎলকখিবদগী মরু ওইনা রসিয়াগী সর্ভিলেন্স প্লেন আই এল-২০ অদু কায়খিবনি। হায়রিবা মিসাইল সিষ্টেম অসি ইং ১৯৬০গী মতমগী ওইবা অরিবা মখলগী ওইবা মতমগা চুনদ্রবা মিসাইল ওইবগা লোয়ননা সোফিষ্টি কেটেদ ওইবগী চাং ৱাৎলি। মসিনা মরম ওইরগা মিসাইল সিষ্টেম অদুনা য়েক্লবা অমদি মরুপকী প্লেন অদু খন্দোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা রসিয়াগী প্লেন অদু কাপথখিবনি।

হৌজিকরসিয়ানা সিরিয়াদা পীগদৌরিবা এস-৩০০ মিসাইল সিষ্টেম অসিদি হেন্না সোফিষ্টি কেটেদ ওইবা রাদর য়াওবগা লোয়ননা য়েক্লবা অমদি মরুপকী প্লেনশিং অদু নীংথিজনা খঙদোকপা ঙমগদবনা মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং থোক্লরোই হায়না রসিয়াগী মায়কৈদগীসু ফোঙদোক্লি।

ইজরেলগী ৱার প্লেনশিংনা সিরিয়াদা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবা অদু মরু ওইনা ইজরেলগী রসিয়াগী সর্ভিলেন্স প্লেন অদু কোভর ওইনা শীজিন্নরগা এটেক চথৈ হায়না রসিয়ানা ইজরেলবু মরাল শীখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌওংশিং হেনগৎলকখিবনি হায়রি।

খঙজিনবদা কান্নবা

ৱার্ল্ড মেন্টেল হেল্‌থ ডে

মালেম অসিদা লৈবাক খুদীংমক্কী ওইনা মীওইবনা পূক্নিং অমদি ৱাখলগী লায়না নাবা মীওইশিংগী মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা ইং ২০১০ অমদি ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা করিগুম্বা লায়না অসি থিংনবা খোঙথাং পায়খৎহৌদবা তারগদি মালেমগী ইকোনোমিগী দোল্লর ট্রাইলিয়ন ১৬কী শেনফম চাদিং তৌহল্লগনি হায়না এক্সপর্টশিংনা পীখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি। সাইক্রেট্রি, পব্লিক হেল্‌থ অমদি ন্যুরো সাইন্সকী গ্লোবেল স্পিসিয়েলিষ্ট ২৮ অমদি মেন্টেল হেল্‌থ পেসেন্ট অমদি এদভোকেসি গ্রুপ কয়াদগী পীখিবা রিপোর্টতা লান্সেট কমিশন্না হায়রিবদি মালেমগী ওইনসু ক্রাইসিস হেনগৎলকপা অসিনা মীয়ামদা পূক্নিং ৱাখলগী লায়না নাবগী চাং অসি হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি। মসিনা মালেমগী মীয়াম অমদি শেন্মীৎলোনদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহনগনি। মসিদা হেল্‌থ কিয়ার, মেদিসিন নৎত্রগা অতোপ্পা থেরাপিশিংদা চাদিং খরদি তৌহনগনি। অদুম ওইনমক অয়াম্বনদি ইন্দাইরেক্ট ফোর্ম ওইনা চাদিং অসি চৎহনগনি। মসিনা প্রদক্টিভিটি, সোসিয়েল ৱেলফিয়ার, এদ্যুকেশন, লো অমদি ওর্দর খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি হায়না মত পীরি।

যু এনদা যু এসকী এম্বেসেদর ওইরিবা নিক্কি হেলি রিজাইন তৌখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১০ ঃ যু এনদা যু এসকী এম্বেসেদর ওইরিবা নিক্কি হেলি রিজাইন তৌখ্রে হায়না পাউজী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী নাকলদা ফম্নদুনা নিক্কি হেলিনা হায়খিবদা, মহাক্না য়ুনাইটেদ নেশন্সতা থা ১৮গী মতম থবক তৌরকখিবা অসি মহাক্কী পুন্সি চুপ্পগী ওইনা ইকায় খুম্নবীবা ওইনা লৌই।

চহী অসিগী লোইশিল্লকপা মতম অদু ফাওবদি মহাক লৈখিগনি। সাওথ কেরোলেনা গভর্ণর ওইরম্বা অমদি ইন্দিয়ান ইমিগ্রেন্ট অমগী মচানুপী নিক্কি হেল্লি মশাগী চহী ৪৬ শুরে। মহাক দোনাল্ড ট্রম্পকী কেবিনেটতা য়াওরিবা নুপী ওইবীশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা ফম পায়বা মীওইনি।

মহাক প্রসিদেন্ট কেন্দিদেট ওইরকপা য়াবা মীওই অমা ওইনা ঙাওনরি। ইং ২০১৬কী ইলেক্সন কেম্পেন্দা নিক্কি হেলিনা দোনাল্ড ট্রম্পপু য়াম্না ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি। ট্রম্পকী অমেরিকাগী ফষ্ট পোলিসি ওইরিবা য়ুনাইটেদ নেশন্সতা মশক নাইবা মীওই অমা ওইনা থবক তৌরকখি হায়রি।

য়ুক্রেনদা এম্মো দিপো পোকখায়বা লৌতুনবা য়াওরমগদ্রা চিংনরি

কিভ, ওক্টোবর ১০ ঃ য়ুক্রেনগী অৱাং থংবদা লৈবা খূৎলায় পৈফম অমদা মৈ চাক্নুনা পোকখায়খিবগী থৌদোক লৌতুনবগী থৌওংশিং য়াওরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈ হায়না পাউজী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

য়ুক্রেনগী খূৎলায় পৈফম অদু পোকখায়বনা মরম ওইরগা মীওই ১২,০০০রোম হেনবদি শাফগদবা মফম য়েংদুনা লাঞ্জেন্নখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

সেক্যুরিটি সর্ভিসকী মায়কৈদগীদি থৌদোক অদুদা লৌতুনবগী খূৎ য়াওরমগদ্রা হায়বগী মতাংদা কুপ্পা য়েংশিনবগী থৌওংশিং চথরি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তাগ্রুজভা ভিলেজ মনাক্তা লৈবা খূৎলায় পৈফম অমদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

খূৎলায় পৈফম অদুদা পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মীশি মীনা থোকপগী পাউ ফংদে। অদুম ওইনমক রিজনেল ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগীদি মীওই ৬০ রোম হেন্না মৈখু হোজিনখিবদগী লাকন্নবগী থৌওংশিং চথরি।

খূৎলায় পৈফম অদু খঙহৌদনা পোকখায়খ্রবা মতুংদা মৈ চাওনা চাকখৎলকখি। মসিনা মরম ওইরগা মীওই ১২,০০০ রোম হেনবদি শাফগদবা মফম য়েংদুনা হোংদোকখ্রে। ৬শুবা খূৎলায় পৈফম অমদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

অহৌবা পোকখায়বগী মখোল ৪ তাখ্রবা মতুংদা মৈখু চাওনা কারক্লগা মৈ চাকপগী শক্তম উবা ফংখি। য়ুক্রেনগী জেনরেল ষ্টাফকী দিপ্যুটি হেদ ওইরিবা টাইমো সেনকোনদি পোকখায়বগী থৌদোক অসি কনাগুম্বা মীওইশিংগী লৌতুনবা য়াওরমগনি হায়রি।

টাইৱাননা চাইনাবু ঙাক-শেনগী কনখৎহনগনি চেকশিন ৱারোল পীখ্রে

টাইপৈ, ওক্টোবর ১০ ঃ টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইংনা চাইনাবু কনফ্লিক্ট অমা থোক্লবা শীন্দনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা চাইনাগী মিলিটরি থ্রেট পীবা হেনগৎলক্লিবা অসি থেংননবা ঈথৎ লৈবাক অসিনা ঙাক-শেনগী চেকশিন থৌরাং চপ চানা পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নেশনেল ডেগী এদ্রেসতা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাইনা হায়খিবদা টাইৱানবু ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী ফবদি ঈথৎ লৈবাক অসিনা ঙাক-শেনগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপনি। মসি ওইদুনসু ঈথৎ লৈবাক অসিনা চাইনাগা মুক্নন্দনবগী থৌওংদি অদুমক লৈ।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা চাইনাগী ওথোরিটিশিংবু শক্তি লৈবা দায়ত্ব লৈবা লৈবাক অমা রিজন অসিদা পোজিটিভ ওইবা রোল লৌনবা তকশিল্লি। চাইনানা ঈথৎ লৈবাক অসিগা কনফ্লিক্ট অমা থোকহন্ননবা শীনবগী মহুত্তা মালেম অমদি রিজন অসিদা শান্তিঅমদি তংদু লৈতাবা ফিভম অমদা লৈহন্নবা হোৎনবদা খোঙথাংশিং পায়খৎপা মথৌ তাই।

চাইনানা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাইগী গভর্ণমেন্টকা কন্টেক্ট তৌনবগী থৌওংশিং তোকখ্রে। মসি মরু ওইনা ইং ২০১৬কী মতমদা সাইনা টাইৱানগী প্রসিদেন্টকী ফম পায়খ্রবা মতুংদা চথরকখিবা থৌওংনি। মসিগী মতুং তারকপদা টাইৱান অমদি চাইনাগী মরক্তা মুক্ন বগী থৌওংশিং হেনগৎলক্নুনা দিপ্লোমেটিক, ইকোনোমি অমদি মিলিটরিগী প্রেশর পীবগী চাং হেনগৎলক্লি।

চাইনানদি সেভ গভর্ণিং আইলেন্দগী দিমোক্রেসি অসি মখোয়গী লৈবাক্কী মনুং চন্না লৈরিবনি হায়রি।

ইং ১৯৪৯গী সিভিল ৱারদা চাইনা অমদি টাইৱান লৈবাক অনী অসি তোখায়না খায়দোকখি। চাইনানা ঈথৎ লৈবাক অসি মখোয়গী টেরিটোরিগী মনুং চন্না লৈবা লমদমগী শরুক্নি হায়না লৌবগা লোয়ননা করিগুম্বা দরকার ওইরকপা তারগদি শক্তি শীজিন্নদুনা টাইৱানবু লৌশিনগনি হায়রিবনি।

রসিয়া প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিন অমদি কিম জোং অন ৱারী শাননবা থৌরাং তৌখ্রে

মোস্কো, ওক্টোবর ৯ ঃ রসিয়ানা প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিন অমদি নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং অনবু মোস্কোদা উনরগা ৱারী শাননবা থৌরাং তৌখ্রে হায়না ক্রেমলিনগী ৱারোল মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা থাদা পুটিননা কিমবু মহাক্কী লৈবাক্তা লাক্নবা বার্ত্তণ তৌখিবনি। অদুম ওইনমক, করম্বা মতমদা ৱারী শানগদগে হায়বগী ৱারোলনচিংবদি লাউথোকখিবা লৈতে।

যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা নোর্থ কোরিয়াদা খোঙচৎ পাঙথোকখিবা ক্রেমলিনগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌহৌননা কমেন্ট অসি লাকখিবনি। মাইক পোম্পিওনা পয়োংয়াংগী ন্যুক্লিয়র দিসআর্মমেন্দকী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা কিম অমদি প্রসিদেন্ট দোনাল্ডট্রম্পকী মরক্তা অতোপ্পা মীটিং অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রবনি। মসি জুন থাদা সিঙ্গাপোরদা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমদি নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং অন উনখ্বা মতুংদা চথরকখিবা থৌওংনি।

চৎলিবা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা যু এস অমদি নোর্থ কোরিয়ানা কিম জোং অনগী ৱাথোক ওইরবা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী মতাংদা ৱারী শানবা হৌখিবনি।

যু এস সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা হায়খিবদা, কোরিয়ান পেনিন্সুলাবু ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈহন্দনবগীদমক দীল অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরি। মসি মরু ওইনা যু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা নোর্থ কোরিয়াগী কেপিটেল পয়োংয়াংদা মরিরকশুবা ওইনা খোঙচৎ পাঙথোকখ্রবা মতুংদা চথরকখিবা থৌওংনি।

মাইক পোম্পিওগী দেলিগেশন্না মহাক্না পাঙথোকখিবা খোঙচৎ অদু মমাঙগী মতমদা পাঙথোকখিবা খোঙচৎ অদুদগী হেন্না ফবা অমা ওইখি। মাইক পোম্পিওনা জুলাই থাদা নোর্থ কোরিয়াদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা খোঙচৎ অমা তোকখিবা লৈখিবনি। মদুগী মতুং তারকপদা ৱারী শানবা অসি চাওশিনখিবনি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ঈশ্বর খুরুম্মগা ইশাগী লাইবক ফবা ওইহনবা ঙম্মী

মন্ত্র-যন্ত্রনা হৈ-শিংলবা /খঙলবা বাবা খান

১। জুয়োং খোৎলোবলা (তুম শালবলা) অশক্লবা ওইবা, ফকথান্ন য়ালবা (থবক মফম নাত্তে চাদবা)।
২। ইমুং শান্তি লৈতবা (নারি তিন্নবা), মীতে-মনাও খংনবা / শাপ্নবা।
৩। মীগী শোৎশেম যাদু।
৪। অনাবা লাইহিঙং খদবা।
৫। নুপী আতোপ্পীদগী ঙাকথোক্লবা।
৬। মচা মফঙনলবা / অয়াং লৈতবা লৈহনবা ঙম্মী।
৭। শেঙ্গোন কোকহনবা ঙম্মী।
৮। ঈচা-ঈচে তায়বা ঊদবা ইমুং-মনুং তিন্নবা য়াদবা / মনি-মামী তাদবা।
অতুক্তং লায়রুপা অমবীসু, অমোতপী করুবা ফংগনি। (ইনশা অল্লা) পুন্নমক অমম্বা খুদকপা ওঞা বাবা ইনশা অল্লা।

বাবা খান
#: 8794261256
Address: Hatta Opposite Oil Pump
Near Public Hospital, Hatta Imphal

NT/S/8...... Oct.

[illegible] / ওঝা Mv Riyajuddin বুথাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা খোং হাম্বা য়াম্না লিকপা অমসুং মতম শাংনা কুইনা লৌবা, য়াম্না শংবা মরম্না শৌজা তাবা, শৌজা অদু মশানা হনগৎলু হায়বা য়াদবা, খুৎনা অদুম ইনশিনবা অদুগা নিংগাংনা ফম্বা মতমদা অমুক তারকপা চিকপা নাবা, মরক মরক্তা কোক ঙাওবা, ঙকশম মরী নুংঙাইতবা, খ্বাং য়াম্না নাবা, এনসতা খুদোম্বীমুক চাওনা পোম্বা, শা-ঙা চারগনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইতবা, ফম্বীগী শক্তি য়াম্না ৱাৎপা, ফৈগন ফৈরু চোকথবা তৌরম্বা অদুবু ওঝা Mv. Riyajuddin Buyamayum,)9856797338 / 7085494783) দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা পুম্নমক মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওঝাবু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

থাগৎচরিবাঃ Basanta Mayang
Imphal Bazar

NT/75466/11(Oct)

[illegible] / ওঝা কয়ামুদ্দিনবু পাউচেগী থোংদা থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা গ্যাষ্ট্রিক্না য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, চাবা থকপা তুমদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাখৎলগা চানিং থক্নিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, তাং তাং চিকপা, পুক নুংশিং কারগা থবাক ফুনগৎপা, হকচাং য়াম্না চোকথবা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মসল নাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীথুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনগৎলকপা তৌরম্বা অদু এমভি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম (# 8575814720, 8413870027), দা চত্তুনা মতম খরা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওঝা কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুমবু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউ চেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

থাগৎচরিবাঃ
Kangabam (o) Bimola Devi
Patsoi Part I.

NT/75417/11(Oct)

GOVERNMENTOF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRADE, COMMERCE & INDUSTRIES
NOTICE INVITING TENDER

Imphal, the 8th October, 2018

No.Y-1/TC&I/2018/IITF (38): In connection with Manipur State Day Celebration to be held during India International Trade Fair, 2018 at Pragati Maidan, New Delhi from 14th to 27th November,2018, sealed rate quotations are invited from the interested registered Non-Profit Making Cultural Organisations for presenting 4 to 5 prominent cultural items at the Fair. The following terms and conditions are required for submission of the sealed rate quotation.

1. The rates quotation for the cultural items shall be written in words and figures wherever required and should be inclusive of to & fro.(Imphal -Delhi) journey fare, food and lodging of the troupe and entourage. The term and condition of payment should be indicated if required.
2. Performance time of each cultural presentation should be indicated with a brief. The rate for each cultural items should be indicated. A maximum of the cultural items should be submitted.
3. A attested copy of the Organisation / Association valid registration to be enclosed.
4. Earnest Money of Rs. 5,000/- (Rupees five thousand) only in the form of Bank Draft payable in favour of the Director, Trade, Commerce & Industries should be submitted along with the SRQ.
5. The sealed bid should be dropped in the box in the Directorate on or before **1.00 P.M. of 26th October 2018** and under no circumstances sealed bids submitted after the stipulated date and time will be entertained. The sealed rate quotation shall be opened the same day at 3.00 P.M. The bidders can be present on and their representative during opening of the bids.
6. The Director reserves the right to accept or reject any or all the quotations without assigning any reason thereof.
7. The enveloped containing sealed tender should be super-scribed as **"RATE QUOTATION FOR CULTURAL SHOW"** and the same be dropped in the box placed in the office of the Director, Trade,Commerce & Industries.
8. Costumes and gears for the cultural items shall be bome by the Cultural Association.

Sd/- **C. Arthur Worchuiyo**
Director of Trade, Commerce & Industries,
Manipur

NT/75606/11(Oct)

[illegible]

BUMPER STOCK CLEARANCE

SALE

1. OLD WHITE SHIRTS HALF & FULL (ALL SIZES)	-	150 ONLY
2. CHILDRENS ITEMS : JEANS HALF PANT TOPS, SHIRTS LONG PANTS, FROCKS, MISC. MIX VARIETY	-	150 ONLY
3. GENTS SHIRTS FULL & HALF (STAINED & IND QUALITY)	-	150 ONLY
4. GENTS KURTA HALF & FULL (STAINED & IND QUALITY)	-	150 only
5. GENTS TROUSERS MIX. VARIETY (WAIST 28 & 30 ONLY)	-	200 only
6. UNIFORM PENNAFROCK'S & TROUSERS (OLD STOCK CLEARANCE)	-	150 only
7. CHILDREN SOCKS MIX. SIZE & COL. (OLD STOCK CLEARANCE)	-	10 only

"OFFER VALID TILL THE STOCK LAST"

HURRY ! SELECT THE BEST ONE FIRST

VENUE :- **BRIGHTWAYS**
1ST FLOOR, OPP. PUNJAB & SIND BANK
OCT. DHARAMSHALA ROAD,
IMPHAL-1

NT/Z/26-26 OCT ALT

[illegible]

ঈ তাবা, চাফাৎপা, পোম্বা, হাক্কচবা, পোমথোক্লগা লৈবা, ফম্বা ঙমদবা, মসিবু ফহনবা Arshnasak Piles Capsule
DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

(নুংশং অমসুং গ্যাসত্রিক)

নুংশং ঈ তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাকশিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী। পুক নুংশিং কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্নিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্তা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

(নুপাগী প্রোব্লেম)

শক্তি হম্ববা, হকতিন্নবগী শক্তি ৱাৎপা, ফম্বী থুনা থোকপা, মপুং ফাবা ঙমদবা, ফম্বী পাবা, ফম্বী থোক্তা ৱাৎপা, অহিংদা ফম্বী চৎপা, মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নবা, খোং হাম্বদা ফম্বী লোয়নবা, হকচাংগী ফিনুংগী হাক্কচবা অসিনচিবশিং অসি আয়ুর্বেদিক হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্নে। চঙথোকপা, শাংদোকপা ঙম্ব মেল ওর্গনান দিভেলপর মেদিসিনসু অদোমগী অপাম্ব মখলদা ফংবীগনি।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিভৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেম্না নৎত্রগা চাং ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কৎচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি ব্রেষ্ট অপীকপা অমসুং চেম্ববা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজহনবা পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরৈ ফাহনবা ঙম্ব আয়ুর্বেদিক ব্রেষ্ট ওইলমেন্টস অমদি মেদিসিনসু ফংবীগনু।

ডাইবেটিসি লায়নানা মরম ওইরগা অহিংদা ঈশিং তোয়না চৎপা, রেথ চাং হম্ববা, পাঙ্গল শোম্ববা, সেক্সকী শক্তি ৱাৎলকপা অসিনচিংবা অসি ঐখোয়গী হীদাক চাং নাইনা চাবীয়ু নোংমা নোংমগী ডাইবেটিস চাং হম্বরক্কনি অদুগা সেক্স পরার নোংম-নোংমগী কনখৎলক্কনি।

(অঙৌবা পকপা অমসুং উনশাগী লায়না)

অঙৌবা পকপাশিংগীদমক থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্ব ইঞ্জেক্সনসু লৈজরে। অদোমগী অঙৌবা পকপা লৈরবদি লোৎশিন্দুনা থম্মিগনু, অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু DUTTA CLINIC তা অমদি Skin Diseases, S.T.D. ECZEMA, উরিং, ফি লাইকোই অসিনচিংবা অতৈ স্কিন দিজীজসু লায়েংজরি।

(শমগী প্রোব্লেম অমসুং নাকোংগী প্রোব্লেম)

শম পোকখায়বা, শমজাবি, চহীগা চানদনা পোক হৌবা, শম কেনবা অসিনচিংবশিং অসি কোক্তা তৈনবা থাও অমদি মেদিসিন খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হম্বরক্কনি। শমগী মচু ওল্লক্কনি।

নাকোং, না তাবা ৱাৎপা নাকোং নাবা, হাম্বা করিসু তৌদবা নাকোংনা তাবগী চাং হম্বরকপা অমদি অতৈ অতোপ্পা মখলগী নাকোংগী লায়নাশিং ক্যাসি লৈরবদি লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(অরথ্রাইটিস জোইন পেন অমদি অজমা)

তাঙ-তাঙ চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খুৎ শিথবা মসল নাবা, খুৎ হাইগৎপা ঙমদবা, অজমা, লোক খুবা, মিথুন কা-হেন্না চোংবা, শ্বর ফুনগৎপা, থবাক খেবা, থবাক নাবা, লোক কংখু খুবা অসিনচিংবশিংগীদমক ৱাবীগনু অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(লুম্বা হেনগৎপা)

চহী মতাং অমদা হেক্তা লৈবা নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচা মশাগা চানদবা মওংদা কংবা, মশা পাবা, রেথ য়াওদবা, মদুগীদমকসু ঐখোয়গী হীদাক্না ফহনবা ঙম্মী। লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(যু করম্না থাদোকহৌগনি)

যুদা লাইহৌদুনা লৈরবা মীওইশিংদা ঐখোয়গী হীদাক অসি চাং নাইনা পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হজিল্লক্কনি। মহাক শোয়দনা যু থাদোকপা ঙমগনি।

[illegible]
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House, Building.
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal